# পি ঐচ ব্রাইটরনা য়ুথ মেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড, অতৈনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): ন্যু দেল্লিগী ইন্দিরা গান্ধীগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা জান্যুৱারী ১৬ তগী চথুরকখিবা অহানবা য়ুথ মেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা মণিপুরগী বোক্সর পি ঐচ ব্রাইটরনা কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা কেজি ৬৪ গী কাঙলুপকী ফাইনেলদা পি ঐচব্রাইটরনা অকাসপু পোইন্ট ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুদা পি ঐচব্রাইটরনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাকখিবনা ফাইনেলদসু য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। লোয়ননা পি ঐচ ব্রাইটরনা ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা দামন এন্দ দ্যুগী জোগেশ কুমারবু পোইন্ট ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা মণিপুরগী বোক্সর এম রনবিরনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা সেমী ফাইনেলদাগুরপিট সিংহগী মখূৎতা স্পিলিট দিসিজন্দা পোইন্ট ৩-২ দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। টিম কোচনা টি সিকন্দরনা ওইরি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপীগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ ওজিবলা দেবী (কেজি ৫৭), কে ঐচ তিলোতমা চনু (কেজি ৬০), এস ঐচ রোজিতা (কেজি ৬৯) ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

# সেনিয়র হোকি লীগকী নুপাগী কাঙলুপ্তা হোকি য়ুনিয়ন, নুপীগীদা আইদিএল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা নুপা অমসুং নুপী সেনিয়র মণিপুর হোকি লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেচতা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমদি নুপীগী কাঙলুপ্তা আইদিএল ক্লব তেরা বজার মায় পাকখ্রে।



নুপাগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা হোকি লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেচদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না মৈরা বাসিখোং গোল ১১-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মৈরাগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথুখি।

হোকি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু টিমদুগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় ঐচ অমরজিৎনা গোল মঙা মেচকী ৬, ৩৪, ৩৮, ৪৯ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। এন সঞ্জয়মনিনা গোল অহুম মেচকী ৩৭, ৫৪ অমসুং ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি। দল্লিয়ু নিরজকুমারনা গোল অনী মেচকী ৫৬ অমসুং ৫৮ শুবা মিনিটতা অদুগা কে ঐচ রিনেলনা গোল অমা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা মৈরাগী অহানবা গোল এন জেনজেন্না মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল টি ঐচ ইঙালেম্বনা মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিনা নুপীগী অহানবা লীগ মেচতা আইদিএল ক্লব তেরা বজারনা ফাম ইম্ফাল গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা আইদিএল ক্লবকী গোল অদু এস রিসিকানা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা নুপাগী মেচতা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ, নুপীগী মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মৈরা বাসিখোং অমসুং সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অনীনা শান্নরগনি।

## ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লবনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথবা হৌখ্রবা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এম ৱাই এ লৈকিন্থবী অমসুং এ এস এন এম দি এ সেকমাই গোল চন্নখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এম এন ৱাই এল সী ময়াং লাংজিংনা এল দি ৱাই সী লমলোঙ্গৈ গোল ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এম এল ৱাই এল সী ময়াং লাংজিংগী গোলশিং অদু কে ঐচ বিদোনদতা, এল রোহিট অমসুং পি মহেসনা গোল অমমম চনখি। এল শঙ্কর অমসুং কে ঐচ লেক্সনা গোল ২/২ চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা কে ৱাই দি ও সেকমাইনা এল সী এফ সী লৈমখোং গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কে ৱাই দি ও সেকমাইগী অহানবা গোল কিরনকুমারনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল বুঙোবীনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা লমশাং এফ সী টিম বিনা জে সী সলাম গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## ইমা পান্থোইবী

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): কোংবা য়ুথ ওর্গেনাইজেশন্না চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপা হন্দক্কা থানা অহুল্লক শুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিদগী কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি নুংথিল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম ধনেশ্বর, কে ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট এ ৱাই দেবেন, হফিস ব্রাইটর একাদেমি কৈথুগী ফউন্দর এম দি মুহিবুলা অমসুং কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ডা. ও নোবোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী মেচতা কে ৱাই ও কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় অমসুং য়ু এফ এ থৌবাল অৱাং লৈকায় অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি। হয়েং এস ৱাই দি এ অমসুং ৱাই ও সী টিম বিগা নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এ এ এ অমসুং এন আইএল এফ সী টিম সীগা শান্নগনি।

## এম আর সীনা এল ৱাই এস এস য়ু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): চজিং ইনাৎ কনবা লূপনা শিন্দুনা চজিং কাংজৈবুংদা চথুরিবা ২৮ শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ৱিন্নর এম আর সী মাইরেনখোংনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এম আর সী চজিং মাইরেনখোংনা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজার গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

মেচ অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা এম আর সী মাইরেনখোংনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ১৫ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজারনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২০ গী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা এল কে সী সীনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম তাখি। এন সী দি সীগী এস নেত্রজিৎনা গোল মঙা চন্দুনা টোপ স্কোরর তাখি। এম আর সী মাইরেনখোংগী কে নরেসনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা এম আর সী মাইরেনখোংগী মায় পাকপগী গোল অদু কে নরেসনা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

# বি কে ত্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২(ঐচএনএস): য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পু ত্রোফি অমসুং য়ঙ ক্রিকেটরগী মেনেজিং কম্মিটিনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা বামোন কম্পু ত্রোফি (বি কে) ২০১৭ ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৮ শুবা এদিসন ঙসিদগী চথবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা টোপ নাওরিয়াগী জিলা পরিষদ তোইজম ইতোবী, বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান টি ঐচ ভুবোন, বামোন কম্পু জিলা পরিষদ কচুংগা গোলমৈ, কৈরাও গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান এম রোমেসচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেচতা সোনালিকা কোনুং মমাঙ মায় পাকখ্রে। মেচ অদুদা সোনালিকা কোনুং মমাঙনা দেভিদ এলেভেন তাকয়েল ৱিকেট অনীদা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৯ না গ্রুপ ২ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেচতা দেবিদ এলেভেন তাকয়েলনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা ওভর ১৭ মায়োক্নখিবদা রন ৬১ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি।

দেভিদ এলেভেন তাকয়েলনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সোনালিকা কোনুং মমাঙগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা শুপ্লগী ওভর ১২ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ৬৭ লৌদুনা দেভিদ এলেভেন তাকয়েলবু ৱিকেট অনীদা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সোনালিকা কোনুং মমাঙগী কিষন ৱাহেংবম্না পীখিবা ফজরবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক মেন ওফ দ মেচকী মনা পীখি।

# সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়না অন্দর-১৪ বোইজ সিক্স এ সাইদ ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): লিলোং য়ঙ সোসিএল সার্ভিসনা শিন্দুনা লিলোং কোনুং লম্পাক লিলোং কৈথেলদা চথুরকখিবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৪ বোইজ সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়না ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা জান্যুৱারী ১৫ দগী চথুরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়না এল ৱাই এস এস য়ু টিম এ লিলোং গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়গী শান্নরোয় এম দিজেন্না বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ ফাইনেল মেচ তাখি। এফ এফ এল কে ক্যামগৈগী শান্নরোয় এস রনবিরনা বেষ্ট দিফেন্দরগী মনা ফংখি। এফ সী এম লিলোং শান্তিপুরগী শান্নরোয় এল ইংসন্না টুর্নান্টে অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি।


টুর্নামেন্ট অদুদা সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিংগী শান্নরোয় সী ঐচ রোসন্না টোপ স্কোররগী মনা ফংখি। মহাক্না টুর্নামেনট অদুদা পূন্না গোল ৯ চনখি। টুর্নামেন্ট অদুদা এল ৱাই এস এস য়ু টিম এ লিলোংগী শান্নরোয় এ শ্যামানন্দনা বেষ্ট গোল কিপরগী মনা ফংখি। এ দি এ অরাপতিনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা সী দল্লিয়ু সী লিলোং চজিং মমাঙ লৈকায়গী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকখিবনা গোল অনী থংনা থংননা চনশিন্দুনা ওপোনেন্ট টিমদগী মাঙজিল থানা লৈখি। মেচ অদুদা সী দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয় এম দিজেন্না গোল অনী মেচকী অহানবা অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অতোপ্পা গোল অদু কে ঐচ সনাথোইনা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা অদুগা সরতনা গোল অমা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৪ শুখি। এল ৱাই এস এস য়ু টিম এগী গোল অনী অদু এম দি ৱাজির অমসুং এম দি মুস্তাফানা চনখি।



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3537/17/1-15/2




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com